পূক্নিং লৌশিং | বামোন অমুমচা

# মানা মানা খনবা

চাকনিবা নুপা অমা লম্বীগী মতাই অমদা ফম্লগা মমিৎ উইশিন্দুনা তুম্লম্মী।

হুরানবা অমখক লম্বীদুদা লাক্লম্মী। মহাক্না খল্লম্মী, ''মসি নুপা অসি হুরানবনিসে। মহাক্না তুমশিন্নদুনা লৈরগা মহাক্কী মনাক্তা মী চঙশিল্লকপা মতমদা চোংশিন্দুনা পোৎ-চৈ, শেল মুনগদৌগী তৌশিন্নরিনিসে।'' হুরানবদু নাসোন পীক্না অতোপ্পা মায়কৈ অমদা চৎখিদুনা চাকনিবা অদুদগী লাপথোকখিরম্মী।

ঙৈহাক লৈরগা য়ু ঙাওবা নুপা অমা মায়কৈ অদোমদা লাক্লম্মী। ফম্লগা তুমদুনা লৈরিবা চাকনিবা অদু উরগা য়ু ঙাওবদুনা খল্লম্মী, '' নিপা অসি য়ু ফজনা ঙাওরেসে। মী ফত্তবসু মান্দে। মতম খরা পেন্না তুমজরসনু। অমুক মরক্তা হৌদোকপীরুরগা হেং ওভর লৈনবনি।'' য়ু ঙাওবদু পম্থবা তৌদনা মফম অদু থাদোকখিরম্মী।

য়ু ঙাওবদুনা চৎখিবা ঙৈহাক কান্নরগা সাধু অমমুক মফম অদুদা লাক্লম্মী। মহাক্না চাকনিবা অদু উরগা মখুৎ অনী লোন্নদুনা খুরুম্লম্মী। অদুগা হায়রকই, ''মহাক অসি শেংলবা সাধু অমা শোয়দনা ওইগনি। মহাক্না সংসারগী অৱা নুংঙাই পূম্নমক লোয়না থাদোক্লগা কয়াদা নুংঙাইনা ধ্যান তৌদুনা ফম্লিবা। ঐ মঙোন্দা ঐগী উৎফম থোকপা ইকাইখুম্নবা উত্তবা য়াদে।''

সাধু অদুনা চাকনিবা অদুগী মখোঙদগী উফুল লৌরগা মরাইবক্তা নম্লগা খুরুম্লম্মী। অদুগা মহাক্কী মনাক্তা ফম্লগা ঙৈহাক ধ্যান তৌরম্মী।

চাকনিবা অদুদি ইশি-শিনা তুমদুনা লৈরম্মী

ঐখোয়না মীগী মশক লেপ্পদা ঐখোয়না খল্লিবা ৱাখল অদুগী মতুং ইন্না হেক হেক লেপ্পা য়াওই। তশেংবদি মীদুদি ঐখোয়না খল্লিবা অদুমক্তি ওইরমদবা য়াই।

# নোর্থ ইষ্টকী মফম খরদগী গঞ্জা লুপা লাখ ৫০ রোমগী ফারে

শিল্লোং মে ১৪ঃ

অৱাং নোংপোক ভারতকী লৈরিবা ষ্টেটশিং অসিদগী ইন্দিয়া পুম্বা গঞ্জা পুথোক্লবা মফম অমা ওইরে হায়না লৌবগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা কষ্টমস হেদক্বার্টরস প্রিভেন্টিব য়ুনিট, শিল্লোংনা শিল্লোং বাই পাস রোর্ডকী দিয়েংপাসো টোল গেট মনাক্তা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী ট্রক্টশিং চেক তৌবা মতমদা লুপা লাখ ৫০ রোমগী গঞ্জা ফারে হায়রি।

কেজি ৭৮৪ রোমগী গঞ্জাশিং অদু পেকেট ৫১ দা পেক তৌরগা পঞ্জাবকী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর শীজিন্নবা ট্রক্ট অমদগী মে ১৩ দা হায়রিবা চেক পোষ্ট অদুদা ফাখিবনি। ট্রক্ট অদু ফাজিনবগা লোয়ননা এন দি পি এস এক্ট, ১৯৮৫ কী মখাদা কেস অমা য়ুনিট অদুনা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

গঞ্জাশিং অদু য়াম্না তোঙান্না ড্রাইভরগী কেবিন মনিংদা শেম্বা অরোনবা চেম্বর অমদা লোন্না পুরম্বনি। গঞ্জাশিং অদু আগরটলা মনাক্তা লৈবা মফম অমদগী ট্রক্ট অদুদা হাপ্লকখিবনি অমসুং গুৱাহাটিদা লৈবা মীওই অমদা শীন্নরমগদবনি। হায়রিবা ট্রক্ট অদুদগী নাগালেন্দগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওবা নম্বর প্লেট ২ অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

অহানবা ওইনা থিজিন হুমজিনবদা ট্রক অদু ত্রিপুরাদগী অরানবা নম্বর প্লেটশিং শীজিন্নদুনা মমাঙদগী গঞ্জা পুথোক-পুশিন তৌই হায়বা খঙবা ঙম্লে। ট্রক অদুগী ড্রাইভর অদু অসামদগীনি অমসুং মহাক মশামক ফাজিনখ্রে।

গঞ্জা পুথোক-পুশিনগী করবার তৌরিবা অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চথরি অমসুং হায়রিবা মীওইশিংগী গেং অদু ফারবা গঞ্জাশিং অদু পুথোক-পুশিন তৌবদা চেন্নবা ঙাক্তা ওইগনি হায়রি।

হৌখিবা মে ১১ দসু হায়রিবা পিভেন্টিব য়ুনিট, শিল্লোংগী কাঙবুনা লুপা ক্রোর ১.০৫ লোমগী ওইগদবা গঞ্জা কেজি ১৫০০ রোম সিলচরদা ড্রাইভ চথবা মতমদা ট্রক অমদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। হায়রিবা ট্রক অদু ইম্ফালদগী সিলচর তম্না লাকপদা গঞ্জাশিং অদুগা কোন্না ফাখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এন দি পি এস এক্ট, ১৯৮৫ কী মখাদা ট্রক ড্রাইভর অদু ফাজিল্লবা মতুং সিলচরগী কোর্ট অমদা পুথোকখ্রবনি।

পনবা য়াবদি মণিপুর অমসুং ত্রিপুরা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসি নোর্থ ইষ্টকীলমদা গঞ্জা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা ওইরি অমসুং ওর্গনাইজ তৌরবা গেং খুৎপু অমনা গঞ্জাশিং অসি তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা ষ্টেটশিং অদুদগী পুথোরক্লগা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়োনবগী থবক চথরিবনি হায়রি।

# ভুট শান্নবনি হায়বা মীওই ১ মেঘালয়াদা থাংনা য়ানদুনা হাৎখ্রে

টুরা মে ১৪ঃ

অন্ধবিশ্বাস থাজবদগী ভুট অমদি হিলোইনচিংবা শান্নবনি হায়বা মীওইশিংনা হাৎন-শুনবগী থবক কয়া অমা থোকখ্রবা মতুংদা ভুট শান্নবনি হায়না চিংনবা মশাগী চহী ৭০ শুরবা মীওই অমা থাংনা য়ান্দুনা হাৎখ্রে হায়রি।

মীওই অদু হাৎকদবা কাঙবু অদুনা নোংমৈ কাপ্পা মতমদা মরু চপখিবদগী মখোয়না পুরকপা খুগ্রিশিং শীজিন্নদুনা মীওই অদু মফম কয়াদা য়াল্লগা হাৎখিবনি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদু সাউথ ৱেষ্ট গারো হিলস ওক্কাপরা সোংগিৎচম কৌবা খুঙ্গং অমদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা থেংনরকখিবনি। পাউগী লীখুলশিংনা ফোঙদোরকপদা কিলমান কৌবা মীওই ১ গী মথক্তা রাজমারক কৌবা মীওই অমনা ইনশিল্লগা মতম শাংনা পোলিটিকেল কেরিয়রদা লাকপদগী গঞ্জা লল্লোনগী থবক অসি পুথোরকপা হৌখিবনি।

থৌদোক অদুদা কিলমান সিঐচ মারক অমসুং রাজন এম মারক অনীগী মনুংদা তমথিনা য়েক্লবদগী রাজন মারক অসি কিলমানগী মথক্তা পোৎশেম জাদু তৌদুনা থৌওং কয়া চথবদগী মীয়াম্মা চিংনদুনা লাকখিবনি। পাউগী মতুংইন্না কিলমান সি ঐচ মারক অমসুং রাজন এম মারক হায়রিবা মপা অমত্তদগী পোকমিন্নবা মচিন-মনাও থাজনদবদগী থোকপা থৌওং অমা ওইবা য়াই হায়না পানরি।

থৌদোক্তুগা মরী লৈননা শিখিবা ভিক্তিমশিং অমসুং একুজ ওইরিবা মীওই কাঙলূপ অদুগসু য়াম্না কন্না য়েৎশিন্নবা কয়া অমা মমাঙদা থোকখিবনি। কিলমাননা অহানবদা দবল বেরেল নোংমৈ অমা শীজিন্নদুনা সি ঐচ মারক অমসুং রাজন এম মারক অনীনা হাৎনবা হোৎনখিবগী থৌদোকসু থোকখ্রবনি। মখা তারকপদা রাজন এম মারকনা খুগ্রি অমা পায়রগা হায়রিবা মীওই অদু তোঙান তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎশিংদা য়ান্দুনা হাৎখিবনি। চিংনবা মীওই অদু খুঞ্জাশিংনা ফারবা মতুং গারোবাধা ইনভেষ্টিগেসন সেন্তরদা খুৎশিন্নখিবনি। হায়রিবা পুলিস ষ্টেসন অদু ওক্কাপরাগী মনুং চনবনি হায়রি।

ভুট শান্নে হায়বগী মরাল কয়া শীরকপদগী হায়রিবা মীহাৎ অদু চথখিবা ওইবা য়াই। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক থিজিন হুমজিনবগী থবক হৌরে। অশিবা হকচাং অদু টুরা সিভিল হোস্পিটালদা পুরক্লগা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। মরাল লৈবনি হায়না মীওই কিলমান মারকসু ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি। মীহাৎ অদুদা শীজিন্নখিবা এস বি বি এল নোংমৈ অমসুং খুগ্রি অদুসু রিকভর তৌবগা লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক হৌখ্রে হায়রি।

# ইন্দিয়াগী মনুংদা শাবা খ্বাইদগী শাংবা থোং অসামদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাক্লিবা মে ২৬ তা শঙ্গারগনি

দিব্রুগর মে ১৪ঃ

তোন ৬০ লুম্বা লানগী টেঙ্ক অমা ফাওবা লানবদা করিসু তৌররোইদবা ইন্দিয়াগী মনুংদা শাবা খ্বাইদগী শাংবা থোং অমা অসামদা শাবা লোইদুনা লাক্লিবা মে ২৬ তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা শঙ্গারগনি হায়রি।



তুরেল মথক্তা শাবা খ্বাইদগী শাংবা থোং অদু চাইনাগা য়ুমথংনবা ষ্টেট অদুগী ঙমখৈগী শরুক্তা শাবনি। ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথক্তা শাবা কিলোমিটর ৯.১৫ শাংবা ধোলা-সদিয়া থোং অদু অসামদা এন দি এ লৈঙাক্না সাসন পায়রকপা চহী ৩ শুবগী নুমিৎ পাঙথোকপগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গাগদবনি হায়রি।

হায়রিবা থোং অসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চাইনাগা য়ুমথংনবা বোর্ডরদা তঙাইফদবা পোৎলম কয়া পুশিন্নবা হোৎনবদা হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নবা থৌরাংগী মখা পোন্ননি হায়না লৌনরি। হায়রিবা মফমশিং অসি মমাঙদা নোংথক অমসুং রেলব্রেজকী খুথাংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনখিবনি।

হন্দক মুম্বাইদা শাবা বান্দ্রাদগী ৱোলি ফাওবগী সমুদ্র লম্বীদা শম্নহল্লিবা কিলোমিটর ৩.৫৫ শাংবা থোং অদুদগী শরুক ২ হেন্না শাংবা থোং অমা শাবা ঙমখিবসি ইন্দিয়াগী মনুংদদি খ্বাইদগী হেন্না শাংবা থোং অমা হায়বদু ওইরবনি।

ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা খ্বাইদগী মরু ওইবা থোং অসি হন্দক প্রাইম মিনিষ্টরনা মে ২৬ তা শঙ্গাগনি হায়রিবসি অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মীয়ামগা লোয়ননা দিফেন্স ফোর্সশিংনা মরু ওইনা শীজিন্নবদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাব থোং অমা ওইহনগদৌরিবনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

থোং অসি ২০১১ দা লূপা ক্রোর ৯৫০ চঙগদবা প্রোজেক্ট অমা ওইনা শাবা হৌখিবনি। থোং অসি মিলিটরীগী টেঙ্কশিং চৎথোক-চৎশিন য়াবা থোং অমা ওইহনগদবনি হায়বা দিজাইন অমদা শাখিবনি। লমদমসিদা অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ওইনা য়াম্না তঙাইফদবা লৈবাকসিগী সেক্যুরিতি থম্ফম থোকপা মফমশিং ওইরি। চাইনাগা হেক থংনবা বোর্ডরগা নক্লনা শাবা থোং অমা ওইবনা হায়রিবা থোং অসিদা লানগী মতম ওইরবা ফাওবদা মিলিটরী ট্রুপশিং অমসুং অচৌবা খুৎশু-খুৎলায়শিং পুথোক-পুশিন তৌবদা খ্বাইদগী শম্বা লম্বী অমা ওইহনগদৌরিবনি হায়না সোনোৱালনা হায়খি।

হায়রিবা থোং অসি অসামগী কোনুং ওইরিবা দিসপুরদগী কিলোমিটর ৫৪০ লাপ্পা অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী কোনুং ইটানাগরদগী কিলোমিটর ৩০০ লাপ্পা মফমদা শাবনি। হায়রিবা থোং অসিগা চাইনাগী ঙমখৈগা লাপ্নরিবসি কিলোমিটর ১০০ খক্লি। টেজপুর মনাক্তা শাবা কালিয়াভোমোরা থোং অসিগী মতুংদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈচেলদা ধোলা ফাওবগী ঙমখৎপা মফমশিংদা থোং অমা ফাওবা লৈতে। মসি খঙবদগী হায়রিবা অনৌবা থোং অসি শাখিবনি।

BEFORE THE OATH COMMISSIONER MANIPUR AT IMPHAL

**AFFIDAVIT**

I, KHANGEMBAM JEEBON KUMAR, aged about 21 years, Son of Khangembam Birachandra Singh, resident of Lamphel Sana Keithel, P.O. Lamphel, P.S. Imphal, District: Imphal West, Manipur 795004, do hereby take oath and solemnly declare as under:-

1. That, I am a law abiding citizen of India by birth having a permanent resident at the above mentioned address. This is true to my knowledge.
2. That, my name has been, changed from KHANGEMBAM JEEVAN SINGH to KHANGEMBAM JEEBON KUMAR. This is true to the best of my knowledge.
3. That, my name shall be known as KHANGEMBAM JEEBON KUMAR in all purposes. This is true to the best of my knowledge

Verified and sworn this on 11th day of May 2017 at Imphal that the contents of the statement made in the above paragraph nos. 1,2&3 of this Affidavit are true to the best of my knowledge and belief. Nothing facts has been concealed therein.

Sd/-
(KHANGEMBAM JEEBON KUMAR)
Signature of the Deponent

SL/1136/15

EMPLOYMENT NEWS
থবক্কী পাও

## HPSC recruitment 2017 Notification 180 Assistant District Attorney vacancies apply at hpsc.gov.in

HPSC recruitment 2017 Notification 180 Assistant District Attorney vacancies apply at hpsc.gov.in

Haryana Public Service Commission released new notification on their official website hpsc.gov.in for the recruitment of 180 (one hundred eighty) vacancies for Assistant District Attorney. Job seekers should register till 08th June 2017.

Commission Name:- Haryana Public Service Commission
Designation:- Assistant District Attorney
Location:- Haryana
Advt No.:- 2 of 2017
Official Web portal: hpsc.gov.in

HPSC hiring 2017 details
Assistant District Attorney: 180 vacancies
Qualification:- Aspirants who decided to join HPSC Assistant District Attorney posts should have Degree of Bachelor of Laws (Professional) of a recognized University and Should have enrolled as an Advocate with Bar Council.
Salary breakup:- Rs. 9300 – 34800/- Grade pay. 4600/- Per Month
Age Limit:- 21 to 40 years as on 08/06/2017 relaxed by 5 years for SC and BC of Haryana State, 10 years for Physically Handicapped

Selection Process:- HPSC will be conduct the Interview for Assistant District Attorney vacancy.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Assistant District Attorney vacancy should pay the below charges through e-Challan in any branch of State Bank of India after 48 hours of registration of online application form.

General: Rs. 500/- (Rupee five hundred only)
SC/BC/EBP/Women of Haryana: Rs. 125/- (Rupee one hundred twenty five)
Physically Handicapped: Application Fee
How to apply for HPSC vacancies 2017:- Eligible applicants may apply Online through the website www.hpsconline.in on or before 08.06.2017.

Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 08.06.2017
Last Date for Submission of Application Fee: 14.06.2017

Haryana Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of total 301 (Three Hundred one) jobs out of which 246 (Two hundred forty six) vacancies for Veterinary surgeon and 55 (fifty five) for Dental Surgeon. Job seekers should apply online before 1st June 2017.

Government Organization:- Haryana Public Service Commission
Post info:- Veterinary Surgeon and Dental Surgeon
Posting:- Haryana
Advertisement Number:- 1 of 2017
HPSC Jobs 2017-18
Veterinary Surgeon:- 246 vacancies

Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Veterinary Surgeon should have bachelor of veterinary science and animal husbandry from a recognized university or institute and registered as veterinary practitioner with Haryana veterinary council or with any veterinary council in India.
Salary Structure:- Rs 9300 – 34800/- Per Month
Dental Surgeon:- 55 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Dental Surgeon should have bachelor of dental Surgery or Licentiate in dental science or Licentiate in dental surgery from a recognized university and knowledge of Hindi / Sanskrit.
Salary Structure:- Rs 9300 – 34800/- Per Month
Age Limit:- 21 to 42 years as on 1st June 2017 and upper age is relaxed by 5 years for SC/ST, 3 years for OBC
Selection Process:- Personal Interview.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through e-Challan in any branch of state bank of India / state bank of Patiala.
General: Rs. 500/- (Rupee five hundred only)
SC/ ST: Rs 125/- (Rupee One Hundred twenty five)
How to apply for recruitment Haryana PSC 2017:- Applicant may register through official website of Haryana public service commission (HPSC) www.hpsc.gov.in or ww.hpsconline.in.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 01/06/2017
Challan Payment: 05/06/2017

..........

## SSCNR Recruitment 2017 apply for 200 Junior Grade of Indian information service, Section officer at www.ssc.nic.in

200 Junior Grade of Indian information service, Section officer SSCNR:- 7th June 2017

Staff Selection commissionStaff Selection commission released new notification on their official website for the recruitment of total 200 (Two Hundred) jobs out of which 25 vacancies for Junior Grade of Indian information service, 17 for Section officer and various vacancies. Job seekers should apply online before 7th June 2017.

Govt Department:- Staff Selection commission (SSCNR)
Job Name:- Junior Grade of Indian information service, Section officer
Job Location:- Delhi
Last Date:- 7th June 2017
Advertisement No:-1/1/2017-ND-III

SSCNR Jobs 2017 News
Junior Grade of Indian Information Service:- 25 vacancies

Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Junior Grade of Indian Information Service should have degree from a recognized university or equivalent and diploma in Journalism from a recognized university / institution or equivalent.
Salary Structure:- Rs 9300 – 34800/- per Month
Section Officer (Horticulture):- 17 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Section Officer (Horticulture) should have B.Sc. in agriculture or Botany or horticulture from a recognized university or institute.
Salary Structure:- Rs 9300 – 34800/- per Month
Age Limit:- 18 to 30 years as on 7th June 2017.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through online mode (Debit or Credit Card / Net Banking).

General: Rs. 100/- (Rupee one hundred only)
SC/ ST/EXSM: NIL
How to apply for recruitment SSCNR 2017:- Applicants may apply online through official website of Staff selection commission websitehttp://ssconline.nic.in on or before 7th June 2017.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 07/06/2017

..........

## PSCWB Recruitment 2017 Notification 01 Bengali Translator vacancy apply at pscwb.org.in

West Bengal Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 01 Bengali Translator vacancies. Job seekers should apply online before 24th May 2017.

Govt Department:- West Bengal Public service commission
Post info:- Bengali Translator
Job Location:- West Bengal
Deadline:- 24th May 2017
Advertisement No:- 12/2017

WBPSC Recruitment 2017
Bengali Translator:- 01 vacancy
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Bengali Translator should have Post-graduate degree in Bengali / Honours or PG degree in English or Sanskrit with Bengali as one of the subject as bachelor degree level from a recognized university.

Salary Structure:- Rs 15600 – 39100/- Per Month
Age Limit:- Maximum 36 years as on 1st January 2017.

Selection Process:- Applicants Hall Ticket 2017 will be issued to conduct the Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through online mode.

General: Rs. 210/- (Rupee Two hundred ten only)
How to apply for recruitment WBPSC 2017:- Applicants may apply online through official website of West Bengal public service commission www.pscwbonline.gov.in from 3rd May 2017 to 24th May 2017.
Important Dates to remember:-
Starting Date: 03/05/2017
Form Submission End Date: 24/05/2017

শগোলশেম হেমন্ত

# খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা-নুংঙাই পাউদম লাইরিক্লি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুক্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়ান্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

৪

## খেংজোই চীংদা

*ঙরাংগী মখা...*

ঐখোয় লান্মী লান্মীনি
মণিপুর মীয়ামগী লান্মী লান্মী
নীংতম য়াওল লান্মী, লান্মীনি লান্মীনি
ঐখোয় লান্মী ......................( ।।)

ঐখোয়গী অহানবা থৌদাং
ঈলৈপাক নীংতম পুরকপনি
ঐখোয়গী অৱাংবা ফিদম
থৌনা লৈনা কখোকপনি
ঐখোয় লান্মী ......................( ।।)

চীং-পাৎ তুরেল নুংশিরবা ঈরৈপাক
চৎসি ঐখোয় সিন-থুংনা,
লাক্লো লাক্লো চীংমী-তম্মী ঈরৈচা
ঐখোয়গী ইথৌ য়েক্লবা লাম্ছেংনবনি
পুন্সিগী ৱাশক নীংতম্বা পুরকপনি
ঐখোয় লান্মী .........................( ।।)

অহিং নুংথিল নাইদনা
মীয়ামগী মপোৎ-মরল ঙাক-শেনগনি,
কৎকনি ঐখোয়গী থৱায়
মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা,
ঐখোয় লান্মী .........................( ।।)

*মথং মথং ...*

# য়ুমগী লায়য়েং

*শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ*

## চাবা (চিঙ্গাক)

*ঙরাংগী মখা...*

**ফমুংদা অঙাংনা ঈশিং চৎপাঃ-**

ব্লাদার অদু ইরিতেট (মরেং মরৌ চৎপা) অদুগা ব্লাদার অদু শেন্নবা নার্ভসেন্টার অদু ইরিতেট ওইবগী ঈশিং চৎকনি খঙদনা তুস্লিঙৈদা চৎলি। খ্বাইদগী ফবা উপায়দি – তুম্লমদাই পুং ৩-৪ গী মমাঙদা পীজবা অমসুং পীথকপা কৌবা তৌবিদবা, শা পীজবনা খিৎ হেল্লি। ফুরুরবা, চৈবীরবদি অমুক হেল্লি মরমদি হান্না মরী শোন্দুনা লৈরম্বা অদুদা চৈদুনা কীহন-খঙহল্লবদি হেন্না মরী শোষ্থ হন্দুনা ফমুং চোৎপা হেনগৎলক্কনি। মরী-মতাং ফগৎনবা, ঈ শীলহন্দনবা চিঙ্গাক পীজগদবনি। তুম্লমদাইদা ঈশিং অশাবা টব, অমদা ঙাইহাক্তং ফমহল্লগা কান্নগনি। ঈশিং অহৈংবনা ঈরুজরগা য়াঙদা অঙৈংবা ঈশিং য়ৈবিবা, হৈবীবা কান্নে। খুয়া থংবা কাংথোল মখোঙ অনীদু চেক থাঙ্গৎলগা কোকলোমদা ঙমথনা হিপ্লবসু ফৈ। ঈশিং অঙৈংবা লুপ্পা ফদি অমা চনীংদা থোন্নগা ফি অকংবনা য়োমশিন্দুনা থম্লবসু ঈশিং চৎলোই। লোংনা হিপ্লগনা হেল্লি। মরম অসিনা অঙাং লোংনা হিপ্তনবা কুদৈ অমা ময়াইদা কিশি কিরগা নংগন, খ্বাঙ মপা চানা থম্লগা খ্বাঙদা পুনশিন্দুনা হিপহল্লবদি খ্বাইদগী ফবা উপায়নি। অঙাং অদুনা চাউরকপগা লোয়ননা মশা ফহল্লু। কোয়বা পুথোকপীয়ু। মীকপ থোকপা খুদিংগী ঈশিং চৎথোকহল্লু।

**নাকোং চীকপাঃ-**

অঙাং নাকোং চীকপদি ঙান্থক অমদা মৈতাল হাপ্লগা নাকোং অদুদা য়াইবদা অদুম ফজখি। রবর বেগতা ঈশিং অশাবা হাপ্লগা নাকোংদা থম্লগা ফিনা কুপশিন্দুনা থমউ। পুংখাই অমা লৈরগা লৌথোকউ। ফ্লানেলগুম্বা অমনা উনশাদা থম্লগা বেগ অদু থমগদবনি। শামন্দুনা অঙাং অদু মফম-মরাং খঙদ্রবদি চীক্লিবা নাকোং অদুগী ওন্নবা নাকোংলোমগী কোক্তা ঈশিং অঙৈংবা কমপ্রেস তৌ।

**হুপিং-কবঃ-**

লায়না অসি ভাইরস-মহিক-মনাইদগী পোকপা লায়নানি হায়না লৌনৈ। অদুবু অঙাং অদুগী মশাদা ফত্ত-হৌদি লৈমনবদগী থুনা শেংদোক্লবা লংসলোমদগী লৌথোক্লবা লোকখু অমনি। অনাবা অসি বসন্ত অমসুং নাকেন থাদা তৌগল্লি। চহী ৪ দগী চহী ১২ শুবা অঙাংশিংগী লায়না ওইনা তৌই। অহানবদা নপ চোবা, লোক য়াওনা খুবরোমদা হৌরম্লগা হুপীংলোমদা লাকই। লায়না অসি ফবদা চয়োল কয়া চঙই। পীরিবা লায়েং অসিদদি নুমিৎ ৫-৬ নিগী মনুংদা ফবা অদুম হৌই। অদুগা অতোপ্পা মওংদা লায়েংলগা চয়োল ২ দগী ফবা হৌরগা অদুম মথং মথং ফজখি। নোংমদা ৱাম্থ-ৱাম্থ খুবদি ৪০-৫০ রক হৌই। ওবা অমসুং স্বর ফুনবগা মান্ননা ৱাবা স্বর মহোনগা লোয়নৈ। করিগুম্বা কালদা লোক য়াম্না থোকই। অদুগা করিগুম্বা কালদনা লোক খরদা মথোকই।

*মথং মথং ...*